ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ১৫, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫৮শুবা মশীং

# তুরেলশিং কা-হেন্না মোৎশিল্লকপা

## লায়না কয়া পোকহল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা হেনগৎলক্লি

মীওই অমত্তনা ঙসি ফাওবা ঈশিং য়াওদনা হিংবা ঙমখিদ্রি। মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিং হায়বসিসু অমনি। ৱাফম অসি মীওই অয়াম্বনা খঙনরবসু ঈশিংগী মরমদা থোইদোক্লা থৌশানদে। মীওইবনা ঈরু-মায়থজবা, ফিশু-ফিজাম্বা, কোল-লীক ফেঙবা অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নখিবগী অমোৎপা ঈশিং পূম্নমক্লা অকোয়বদা লৈরিবা পাৎ, তুরেল অমদি সমুদ্রগী ঈশিং মোৎহনবদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা মতেং পাংশিল্লি। মতৌ অসুম্না মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ঈশিং মোৎশিল্লকপনা মীওইবগী হকশেলদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি। অমরোমদা মীওইবনা থক্লবগী অফবা ঈশিং লৈশিল্লক্তবনা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা লায়না কয়া পোকহল্লক্লবগী মরম ওইরি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা হৌজিক মীওইবনা থক্লরিবা ঈশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অর্সনিক, কোপ্পর অমসুং লেদ য়াওবগী ৱাফম পূম্নমক্লা খঙনরবনি। মীওইবনা ঈশিং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদে হায়বা খঙলবসু পাৎ, তুরেল, সমুদ্র অমদি ৱাটর বোদি পূম্নমক মোৎশিল্লকপগী থৌওং মপূং ফানা থিংনবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। নোং চুরকপা মতমদা লৈমায়দগী চুপশিনখিবা ঈশিং পূম্নমক লৈনুংদা তূংদুনা লৈ। মফম খরদা হায়রিবা লৈনুংগী ঈশিং অদু চিংথোক্লগা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নরি। অদুবু মীওইবনা মহয়-মরোং মরাং কায়না পুথোক্লবনি হায়দুনা কা-হেনবা মওংদা শীজিন্নরিবা তীলহাৎ-হীদাক অমদি হারগী শরুক অয়াম্বা লৈনুংদা চঙখ্রগা ঈশিং মোৎশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লক্লি। মালেমগী লৈমায় চাদা ৭০ রোম ঈশিংগী শরুক ঙাক্তনি। ৱর্ল্ড মেপতা য়েংবদা হীগোক ওইনা উরিবা শরুক পূম্নমক পাৎ, তুরেল অমদি সমুদ্রনচিংবা ঈশিংগী শরুক ঙাক্তনি। অদুবু পাৎ, তুরেল অমদি সমুদ্রগী ঈশিং পূম্নমক মোৎশিল্লকপদগী মীওইবনা শীজিন্নবদা খূদোংথিনিংঙাই ওইরে। ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, পাৎ, তুরেল, সমুদ্র অমদি খোংগী ঈশিং পূম্নমক মোৎশিল্লকপা মরম্না থকপদি লায়রদনা ঙা ফাবা অমসুং ঈরোয়বদা ফাওবা খূদোংথিনিংঙাই ওইরে। কংফালদা মীওইবনা পায়খৎপা তোঙান-তোঙানবা থৌরাংশিংনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈশিং মোৎশিল্লকপনি হায়রি। ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রি, ওইল রিফাইনরি অমসুং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টতগী থাদোরকপা ঈশিংগী শরুক খরা লৈনুংদা চুপশিনখ্রগা অয়াম্বা শরুক্তি পাৎ, তুরেল অমসুং সমুদ্র য়ৌনা চেন্থখি। নুমীৎ খূদিংগী মশীং থীঙমদনা লম্বীদা চেল্লিবা কার অমদি ট্রক্কচিংবা গাড়ীশিংদগী যুরকপা থাউ মরীক অমদি কামথোরকপা মৈখূনসু অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহল্লি। ঈশিংদা য়াওরিবা থাউগী শরুক চাদা ১০ রোমদি শিপ্পিং ইন্দষ্ট্রিদগী থাদোরকপনি। তোঙান-তোঙানবা মখলগী খূৎলায় শাবা, যুরেনিয়ম মাইনিং অমসুং ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্টতগী থাদোরকপা রেদিওএষ্টিভ সবষ্টেন্সনা মীওইবদা খূদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লক্লি। ৱাশিংটনগী হেনফোর্দ ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রদক্সন সাইটতগী থাদোরকপা রেদিওএক্টিভ ৱেষ্ট গোলোন মিলিয়ন ৫৬ শেংদোকপদা দোলর বিলিয়ন ১০০ হেন্না চঙবগা লোয়ননা কুমজা ২০৬০ ফাওবা শেংদোকপা লোইরোই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ নোংমা-নোংমগী মোৎপা হেঞ্জিল্লক্লি। নুমীৎ খূদিংগী মীওইবনা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নরিবা ঈশিং মোৎশিল্লকপনা চহী খূদিংগী মীওই লাখ ২০ লোম শিহল্লি অমসুং মীওই বিলিয়ন ১ রোম হকচাং ঙমহন্দে হায়রি। ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, মীওইবনা শীজিন্নরিবা ঈশিংদা লেদ, অর্সনিক, মর্ক্যুরি, পেষ্টিসাইদ অমদি নাইট্রেট চাং ৱাংনা য়াওবা থেংনরে। মদুনা মরম ওইরগা হোর্মোনদা অকায়বা থোকহল্লক্লে, ব্রেনগী মথৌ শোয়হল্লক্লে অমসুং তোঙান-তোঙানবা কেন্সর মখল কয়াগী রিস্ক হেনগৎহল্লে। মরম ইচা-চাদনা মীওইবদা উনশা শোকচিল্লকপা, মীৎ নুংঙাইরক্তবা, নিংশা শ্বর হোনবগী মরীদা ইনফেক্সন তৌরকপা অমসুং হেপাটাইটিসনচিংবা লায়না পোকহল্লক্লিবসি ঈশিংদা কেমিকেল মখল কয়ামরুম য়াওরকপননি হায়রি।

অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী তুরেল ৬০ রোম খূদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা মোৎশিল্লক্লে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না বাইওকেমিকেল ওক্সিজেন দিমান্দ (বি ও দি)দা য়ূম্ফম ওইরগা অৱাং-নোংপোক লমদমগী তুরেল ৬০ কা-হেন্না ফীভম শোক্লে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা ফীভম শোক্লবা তুরেল ৩৫১ খন্দোকপদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ৬০ য়াওরকপনি। কা-হেন্না ঈশিং মোৎলে হায়রিবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী তুরেল ৬০ অসিদা মণিপুরগী নম্বুল তুরেল অমসুং কোংবা তুরেল য়াওরি। দিল্লিদা লৈবা সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট (সী এস ঈ)না থিজিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। নিতি আয়োগনা ফোঙলকপা কম্পোজিট ৱাটর মেনেজমেন্ট ইন্দেক্সতসু লৈবাক অসিগী ফ্রেশ ৱাটর চাদা ৭০ রোম কা-হেন্না মোৎপা মরম্না মীওই মিলিয়ন ৬০০ লোম খূদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি। ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন কয়ামরুম তুরেলগী মপাল তাংলগা হিংলিবনি। নম্বুল তুরেল অমসুং কোংবা তুরেলগী ঈশিং কা হেন্না মোৎলে হায়রিবা অসিগী মথক্তা ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল অমদি থৌবাল তুরেলগী ঈশিংসু নোংম-নোংমগী মোৎপগী চাং হেনগৎলক্লি। মণিপুরগী তম্পাক লম ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিং অসিদা তীল্লরিবা অপিক-অপিকপা ঈরম-খোংলমশিংগী ফীভম করি ওইরিবগে হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্লা খন্নদবা য়াদবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। তুরেল তোৰ্ব্বানশিংদা ফত্ত-হাওদি হুন্দোকপগী থবকশিংসু মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। তুরেল খোংনুংশিং তরু-তনান্না থম্বা হায়বসি লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপা য়ারোই। মীয়ামসু ৱাখল তাবা চঙই। মণিপুরগী মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈশিং নোংম-নোংমগী মোৎপা হেঞ্জিল্লকপা অসিনা মীওইবগী হকচাংদা লায়না কয়া পোকহল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বসু হেনগৎলক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?
২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?
৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ত্রেদিসনেল ফুদ ওফ মণিপুর, নীংশিংলকপদা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২৯

জিতেন নামৈরাকপম



কুইররোই নীংথমথাগী ত্রৎ-ত্রৎ চিংশিনবমখৈ ঈংবা মতম অদু শোয়দনা য়ৌশিল্লক্লগনি। হৌজিকমকসু মঙাই ফজনা ঈংশিল্লক্লে। নোংঙাল্লমদাইগী মতম কাসিদি মোরেরোমদগী লৈরকখিবা কাপ-মুক থাবা চাইনা/কোরিয়াগী কম্বল অথাবদু অনী লোন্নরগা শুপ্লবফাওবদা ঈংবনা-ঈংবনা অমুক্তোইবা শাগৎলকউ হায়বা য়াদে। অয়ূক্তসু মঙাই চপ মান্নে, শাগৎলকউ হায়বা শুকয়া হেক য়াদেকো। অদুম ফজনা ঈংখৎলক্লি। খৃষ্টমাসকী অহিং কাইদুসু কুইখৎলক্ত্রে।

ঈংবা নৎত্রগা শাবা হায়বসিদি চহী অমগী সিজনেল চেঞ্জগী মতাংদা অদুম্মক থেংনগদবা লৈরবনি। নিংথমথাদা ঈংবা, কালেনথাদনা শাবা হায়বসিদা কনানসু থিংলুবা ঙমগদবা নত্তে। অমরোমদা ঐঙোন্দদি কালেনথাগী ওইনা নোংথক্তগী হৈথরকপা শহী মৈতাল অরাবমুক শাবগী মৈশা খাঙগদৌ শরুক অঙ্গীংবগী অৱাবা খাংজগে হায়বরোমদা লৈজে। করিননো হায়বদা নিংথমথাগী মতমদদি কম্বল অরুম্বা অমা ইল্লগা মৈজাউ তিক্তুনা অহাউ-অহাউবা এঙ্গাং করি-করিনো থোংলগা থকঅ-চারা, থকঅ-চারা তৌদুনা মতম ফজনা লেন্থোকপা ঙম্মী। কালেনথাগী মতমদদি প্রোক-প্রোক চাকপমখৈ শাবা নুংশাগী মৈশাদু খাঙবসি ওন্থোক্লা অৱাবা অমনি।

নিংথমথানা পীবা নুংঙাইবসিদি মখল য়াম্মী। তেন্তক পঞ্জরবদা অয়ূক্কী মোমোন লাউনা নুংঙাইবা মেংলবা নুংশা অদুদা নঙ্গল অসি চেক-খায়বমখৈ ফজনা য়াইরগা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা নিংথিনা ইরুজথোক্লগা মখল-মখলগী এঙ্গাং লোয়নরবা লূক অদু ফজনা কৎথবদি কয়াদি হাউরে। য়াম্না নুংঙাইরবা মতমনি। ঙারি অহাউবা থাক্তুনা মৈতে মোরোক অশেংবদু ঙাংশং ঙাংনা মেৎলগা য়োংচাক শীংজু ফজনা শুরবা তেঙ্কোৎ অচৌবা অমা, হৱাইমতোন অনৌবদু লাইতঙগুম্বদি কোৎল-কোৎলগা ফজনা লৌখৎপা ঙম্মী। মদুদা লোয়নগদৌরিবা মচল শুরবা চগেমপোম্বা খুজাইমুক চাউবা থনকোক তৌরবা তেঙ্কোৎ অমগনি। মদুদা পুখমগী চিদাইদা হাপ্পা উকাবী ফুমলৌ ফোং ফোং শাবা অদু খূৎনা নমদুনা শেগায়রকপদা থোরকপা উকাবীগী নুংশিরবা মনম য়াওনা চাবগী মহাউদি করিদা হায়রুরনি, মীনা কৌবফাও তাদে হায়বদুনি। ওন্থোক্লা হাউখ্রবা!

মৈতৈনা অহাউবা চানীংবসিদি করিদা হংঙুরনি। অহাউ অহাউবা মথেল ফজনা খল্লগা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অসি চারম্বা জাৎনি। ঐখোয়গী উতি অশংবগী মহাউ মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ অমত্তনা থোংবা/চাবা উজদ্রি। চুচু রাংমৈ, চাকহৱাই অনৌবা, তেংনৌমানবী, মোরোক মতোনগা লোয়ননা লৌরক ঙাক্রা ঈরোনবগী মহাউ কদায়দা থিরুবা ফংগনি। শোইবুমগা ঙাক্রাগা থোংবা, নপ-নপ লাউনা লোনবা, আলু অঙাংবা, লোকলৈ, কৌখা, কোমপ্রেক, তোঙলপ তৌবা য়োংচাক ঈরোলবা - অস তিনবু চুমগে তৌই। মদুদা হাপ্পা মরোই- মৈতে তিলহৌ মরু-মনা, লোম্বা, ফদিগোম ফজনা চাইশিল্লবা চাউরপ তৌবা তেঙ্কোৎ অমা ফজনা কৎপা ঙম্মী। অদুগা মুখি পান ঈরোনবা, থাংজিংগা পানগা ঈরোনবা মদুদা থাক্লিবা মরোই মপাং, মৈতে তিলহৌ মনা, তুনিংকোক মরা, ফদিগোম মনা পূম্না চাইশিল্লবা চাউরপ তৌবা তেঙ্কোৎতুমা ইকায়থবীগা ফজনা কোৎথরগা চাবগী মহাও করম্বা লমদা থিবা ফংলুদগে? অদুগা অমুকসু নিংথমথাগী শরেং ঙারেন। নিংথমথাগী নুংশাদু ফজনা নঙ্গল পোকপমখৈ য়াইরগা অহাউবা ঈরোনবা অমগা খোঙ্গাই নিক্লগা লৌখৎপসিদি করিদা হংঙুরনি, মায় অসি হাইগৎলু য়াদে হায়বদুনি।

অদুবু হৌজিক্কী চক অসিদদি হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী চিঙ্গাক চাবগী মওং অসি ওন্থোক্লা খেন্ননা উরে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদগী চারকপা চিঙ্গাক্কা তাইওন্নবা মওংদা লাকখ্রে। রেদিমেদ ফুদকী চকতা লাকখ্রে। মবুক কংবী অঙ্কল চিপ, মবুক্তা নুংশিৎকী নুংশিৎমক্তা, য়েন মফৈ, কলেজা, মকন, য়েন পুমলৌ মচেৎ-মচেৎ শোইরগা চাবা, ওক, ষণ শিংজু, মেগী মরী-মরী শম্নবি, চৌ-চৌ, মো-মো, চিকন চৌ, চিকন ফ্রাই, চিকন চিলি ... মখল-মখলগী চিঙ্গাক্লা নৈখৎলক্লি। অদুগীসু মথক্তা অমুক মুকবাঙগী কম্পিটিসনলোমদসু কন্না চত্থরক্লি। য়ুট্যুব হাংদোক্লবদা উরক্কনি চাবগী কম্পিটিসন মখল মখলগী শা মপুম মপুম খিল্লগা অঙম্বা মখৈ চানবা। মদোমদা চৎনবী ওইরক্লে। মতমগী অওনবা লাকপগী মতুংইন্না মখল মখলগী মহাউ থেংনরকপা হায়বসিবুদি মশানা তারবনি। থেংনরক্তবা কয়া থেংনরক্কনি। উরমদবা কয়াসু উরক্কনি। মীরমদগী পুরকপা তোঙান তোঙানবা খূৎথোং, ষ্টাইল কয়াগী খূৎথোং-চাকথোং কয়াসু লোয়নরক্কনি। তৌবতবু হৌজিক্কী মতমগী নহাশিংনা চেকশিনবা মতম ওইরে। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ত্রেদিসনেল ফুদ্দস, ঐখোয়গা তৎন-থানবা য়াররোইদবা মৈহৌরোলদগী চৎনরক্লবা মৈতৈশিংগী ওইবা চিঙ্গাক্কী শক্তম মুনখিদনবা রোমদসু পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১৯

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

লৈঙাক্লা থোকখিবা এস ও পি অদুগী মতুংইন্না লায়ওং উত্তবা অমদি য়াম্না মাইল্ড ওইবা সিম্পটোম উৎপা অনাবশিংদি ময়ূমদা তোঙান্না লৈবা য়াগনি। অদুবু হায়রিবা পেসেন্টশিং অদু তঙাইফদনা অতোপ্পা লায়নানা নাদবা ওইগদবনি। মদুগীদমক মেদিকেল টিম অমনা সর্টিফাই তৌগদবনি। হায়রিবা অনাবশিং অসিগীদমক হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফিঙ্গরটিপ ওক্সিমিটর পীগনি হায়বসিনি।

মতাং অসিদা লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মফমদা থমজনীংবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমদি - কনাগুম্বা মীওই অমা (নুপা/নুপী/অঙাং ওইগেরা) কোভিদ টেষ্ট তৌরুবদা মদুগী রিজল্ট মতম চানা খঙহন্দ্রিঙৈদা হায়বদি লায়ওং উত্তবা/মাইল্ড ওইবনচিংবা নারিবা মীদুদা খঙহন্দনা হেক্তমক কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদা এম্বুলেন্স লাক্লগা ময়ূমদগী পুবসিনা কৈরোল লৈকায়দা হঙ্গোইনিংঙাই নৎত্রগা কিনিংঙাই ওইবা ৱাখল পোকহল্লি। থাঙ্গৈশেংনা পোজিটিভ ওইবদা তৌবদি লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে ওইবনা ফৈ। লৈঙাক্কী ওইনা ওগষ্ট ১৫দা নোটিফিকেসন থোক্তুনা এস ও পি লাউথোকখ্রগা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লৈকায়গী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীনা হোম আইসোলেসন তৌহল্লগা ময়ূম ময়ূমদা লৈহনবা য়াবা অনাবা কয়া লৈবা য়াহন্দবগী মরমদি লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা থৌওংনা ওইফম থোকপ্রা খঞ্জে। নাকল অমরোমদা অমুক - কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদা কোভিদকী লায়ওং উৎপা, লায়ওং উত্তবা অমদি মাইল্ড ওইবা অনাবশিং তোঙান-তোঙানবা কাদা থল্লগা লায়েং চত্থরবদি মীওই কয়া অমা থুনা দিসচার্জ তৌবা ঙমহনগনি। খুদম ওইনা - লায়ওং উত্তবা অমদি মাইল্ড ওইবশিং তোঙানবা কাশিংদা থল্লবদি থুনা ময়ূম-ময়ূমদা হলহনখিবা য়াগনি। অমুকসু, টেষ্ট তৌখ্রবা মতুং নেগেটিভ ওইরকপা য়াবা কয়া অমা মতম চানা দিসচার্জ সর্টিফিকেট পীদনা পূন্না থম্মীন্নবদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মতুংদা অমুক নৌনা মকোক্তগী হৌবা ফীভম ওইহল্লকপসু য়াই। মতমদুদদি কৈরোল লৈকায়না হান্না হঙ্গোইবা/কিদুনা লৈরিঙৈদা হেন্না নত্তবা ৱাখল পোকহন্নবগী মরম লৈঙাক্লা শিনবা ওইনা থোক্কনি। শম্না হায়রবদা, কোভিদ ক্যের সেন্টর খুদিংদা লায়ওং উৎপমখৈ কা অমদা, উত্তবমখৈ অতোপ্পা কা অমদা, অসুম্না মাইল্ড মখৈ অতোপ্পা অমদা থম্বীরবদি অনাবা অমদগী ফৰক্কদৌরবা অমদা ভাইরসসি চঙবা থিংবা ঙমগনি - করিগীনো হায়বদা সোসল দিষ্টেন্সিং লৈঙাক্লা ঙাকহন্নিংবদু কাঙলোন চুম্না ঙাকপা ঙমহল্লগনি। হায়জরিবা/থমজরিবা ৱাফমসি লৈঙাক্লা থবক ওইনা পায়খৎচহন্নীংই - কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎসিনা নারবশিংসি থুনা ফহনসি হায়রবদি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি হৌজিক শিল্লিবা লৈঙাক্কী থৌওংসিনা কোভিদকী চৈথেং ফংদ্রিবা খুন্নাইগী ইমুংশিংগী মীওইশিংনা, কোভিদনা নাহল্লবা অমদি নাবদগী ফৰক্লবশিংবু হঙ্গোইনা অমদি য়াম্না কিনা খল্লিবা ৱাখলসিদগী হোংদোকহনবা ঙমদবনি হায়জনীংই।

**কোভিদনা নারুবদগী ফৰক্লবশিংদা খুন্নাইনা খল্লম্বা ৱাখল হোংদোকপা :** মীওইবনা হান্না খনখিবা অমদি খল্লিবা ৱাখল হোংদোকহনবা হায়বসি য়াম্না লুই। লাইরিক্কী মঙাল ৱাৎপশিংদনা খরা হেন্না লুই। লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা অমদি অচুম্বা করিনো খঙদ্রিঙৈদা হান্না খনখিবা/থাজখিবদু হোংদোকহনগে হায়রবদি অচুম্বদু করিনো হায়না ফজনা হায়বা অমদি শোয়দনা মথৌ তাগনি। কোভিদ-১৯গী কিনবসি হৌজিক্কী খুন্নাইদা 'ইপাই থিফাই' হায়বা ফীভমদু ওইরে/য়ৌরে। তশেংনা কিরব্রা হায়রবসু করিসু থোয়না খন্থদবগী মওংদা অয়ূক ঙন্তাদা কংলা পার্ককী ফুটপাথতা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিং অঙাংদগীনা হনুবা/হনুবী ময়াম অমা মাস্ক উপ্তুবসু য়াওনা শঙ্গু-শঙ্গু চৎনরিবসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা মরক মরক্তা য়েংহঞ্জনীংই। মতাংসিদদি কনানা কনাবুসু হঙ্গোইবা/কিবগী ফীভম মওং অমত্তা উদে। কোভিদ হায়বা লায়না লাইচৎসিগী মরমদা খঙবদগীনি খঙদে, খঙদবদগী অঙাংনা কিদে হায়বদুগুম্না হায়বসু খঙদে। অদুবু কোভিদ-১৯না নারুবদগী ফৰক্লবা ময়ূমদা হল্লক্লবশিংদা করম্বা মীৎয়েংনা য়েংগদগে হায়বগী মতাংদা পাউচেসিগী সেপ্টেম্বর ২৬, ২০২০দা ফোঙখিবা 'কোভিদ-১৯না নাবা মীওই য়ূমদা নুমিৎ ১০নি ক্বারন্টিন তৌরগদি কিনীংঙাই লৈত্রে : ডো. ভিমো' হায়বা হেদিংগী মখাদা ইখিবদুদগী খরা হোংদোক হোংজিন তৌজরগা অসুম্না থমজরি - কোভিদ-১৯ নাবদগী হোস্পিটাল অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরুরগা মতম লোইদুনা য়ূমদা হল্লকপদা মীয়াম্না মখোয়বু তরাম্না ওকপীবা অমদি খূবাক খুবীদুনা মখোয়গী পূক্লিং থৌগৎপীবা অসি য়াম্না মথৌ তাই।

মতাংসিদা তরাম্না ওকপীবা অমদি খূবাক খুবীদুনা মখোয়গী পূক্লিং থৌগৎপীবা হায়বসি খুন্নাইগীদা থোইদোক হেন্দোকপা অফবা মরমদা মায় পাক্লক্লবশিংদা মরু ওইনা তৌনবা থৌওংনি। অদুবু ডো. ভিমোনা মতাং অসিদা থমনীংলিবা ৱাখল্লোনদি, মীয়াম্না ওকপা খূবাক খুদুনা পূক্লিং থৌগৎপীবা হায়বসিনা পীরিবা ঈথিলদি কোভিদ-১৯না নারুবদগী ফৰক্লবা মী অমা মীয়ামগা তোৎন তিন্নবদা হঙ্গোইনীংঙাই অমদি কিনীংঙাই ওইদ্রে হায়বসিনা ডোক্টরগী অহানবা পাউজেলনি হায়না থমজগে।

**অহানবা পাউজেলসিবু শৌগৎপা অতোপ্পা মরমশিংদি-** কোভিদ-১৯না নাবা মীওই অদু য়ূমদা নুমিৎ ১০নি রোম কাঙলোন চুম্না ক্বারন্টিন তৌরগদি মীওইবদা নারম্বা ভাইরস অদু মশা মথন্তা মপাঙ্গল শোন্থরক্তুনা শিজবনিনা মসিদা মীয়াম্না কা হেন্না কিনিংঙাই ওইদে; - কোভিদ-১৯না নাবা মীওই হোস্পিটাল অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরুরগদি নুমিৎ ১০গী মতুংদা মখা তানা টেষ্ট অমুক হন্না তৌদ্রবসু য়ূমদা অদুম হনখিবা য়ারে। মসিদা মীয়াম্না মীপাইবা অমদি কিনীংঙাই করিসু লৈতে; - লায়ওং উত্তবা কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিদি হোস্পিটাল অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা চৎত্রবসু ইশাগী য়ূমদা অদুম নুমিৎ ১০নি রোম হোম ক্বারন্টিন তৌরবা মতুংদা থোকপদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়রি। অদুগা লায়ওং উৎপা ওইরগদি হোস্পিটালদা পুদুনা নিংথিনা য়েংথোকপনা হেন্না ফৈ।

লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লগা চেকশিনবা য়াবমখৈ চেকশিল্লগা এক্সপার্ট ওইবদা নত্তনা লায়েংশঙ অমগী দিরেক্টরসু ওইরিবা ডোক্টর অমনা থমখিবা ৱাফমশিংদা (লাল্লি হায়দুনা কনামত্তনা হায়বা লৈত্রিবনিনা) থাজবা থমদনা খুন্নাইগী কনাগুম্বা/কনাগুম্বী খরনা কোভিদ-১৯না নারুবদগী ফৰক্তুনা ময়ূমদা লৈরবশিংদা হান্না খঙদ্রিঙৈদা য়েংলম্বা মীৎয়েংশিং হোংদোকপা ঙমদ্রবদি মখোয় মশাদা খন্থহঞ্জনীংবা ৱাফম অমদি - মখোয় মশা মশাদা অমদি মখোয়গী ইমুংশিংদা তম্বা ঙমদবা কোভিদ-১৯গী চৈথেংসি হেক ফংলকপদা হান্না মখোয়না মীঙোন্দা য়েংলুবদু মখোয়দদি মীতোপ্পা অমুক য়েংলক্লোইদ্রা? মতমদুদা মখোয় মশাদা করি ফাওরক্কনি। মতমদুদা শোয়দনা খঙলক্কনি - 'লাংফম/দশা হায়বসিদি খূবাক খুনম' ওইরম্লে। ●

# কৌব্রু চীং - মণিপুরগী তাঙলবা লন ওইরিবা মাঙহৈদ্রবা য়েলহৌ লাইফমলেননি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ঐখোয়মুক লাইবক ফবসিবু লমদম কৈদা লৈরিগবা! ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী লৌশিংদো কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্লম্লিবনো! মখোয়গী মীৎয়েংদি অদুক্কী মতিক শাল্লি। তুংদা লাক্কদবা মীরোন খুদিংমক্কী য়াইফনবা পোরম পোমিৎ য়াৎপীরম্মী। ঐখোয়না হৈবা-শিংবা ৱাৎপা, প্রমান ওইনা হায়রগা হৈ খুনবা হৈতবা হায়দুনি, মখোয়না থম্বীরম্বা মমল য়াল্লবা ইপোৎ ইরনশিং থৌশাবীদবা মতাং হেক-হেক য়াওরকই। ঙসি মালেম পূম্বদা পীরক্লিবা অকিবা চৈথেং মশীং মপান নাইদে। ময়ামসিগী মনুংদা চীং-পাৎ কয়া মাঙশিল্লকপনা থোকহনবা ঈশিং-নুংশিৎকী অহোংবা ফীভমসুনি। অখঙ-অহৈশিংনা তত্তনা লাউরি, ***ঐখোয় মীওইবা অমদি থৱায় পানবা কয়াবু নাউয়োক নাউকোনবীরিবা চীং-মান মাঙহল্লোইসি।*** লাউজৈ হায়দুনি, নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লি। উনা-উনা চীং অদুম্মক মাঙখ্রে, চাওখৎপগী ঈরোন্নুংদা লুপশিনবনি হায়সিরা? সোরা চীংসু মাঙখিদৌরে। খুদম পীবৈ ৱানি, ময়াম অমসু লৈরিবনি। তৌগেদা ঙম্বা মীওইবনি, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা চীং-মানশিং অসি মাঙহন্নবা থৌশিল কয়া লাক্কনি হায়বসি লাইওইখ্রবশিংদুনা খঙখিমাল্লে, লাইফমলেন ওইবা চীংজাউ কয়া থম্বীরম্মী। খুদম অমা অনীদং পঞ্জরবদা কৌব্রু, থাংজিং, হৈঙাং নোংমাইজিং অসিনচিংবনি। চীং অমা ৱারী অমা, থৌদোক খরা হায়বদুমক য়াই। ঐখোয়গী য়েলহৌ লাইনীং, নাট-কলচর অমদি পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মফমশিং মাঙহনখিবা হায়বসি তৌহৈদবা থৌওং-থৌচৎ ওইরমদবোই খনবা চীংজাউশিংনি। মায়কৈ ঙাকপা লাইনিংথৌশিংগী খুভম য়াদুনা ঈরাৎ-থৌনি তৌরম্বসিমক শীংথাবা য়াবা অমনি। চীংলোন কয়া অসি লৈরম্বনা ঐখোয়গী তোপ-তোপ্পা শক্তম অদু ঙাক্তুনা চহী চা কয়া অসি লৈরল্লিবনি। পুৱারীগা শাগোন্নরিবা চীংজাউ কয়াবু লাইফমলেন ওইনা থম্বীরম্বগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্লা অদু-অদা থিদবীদা চাউথোকফম থোক্তনে?

কৌব্রু চীং ঐখোয় পূম্নমক্কী লাইফমলেন ওইবখক নত্তনা মণিপুর পুৱারীগী মরু ওইবা শরুক অমনি হায়বসি য়েৎননীংঙাই ওইদবরা খল্লি। ***অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা/লাই ময়াম খুন্দা অহানবা*** হায়বা শৈরোল অসি পঙশেম শেমজিনবা য়াবা নত্তে। লমদমসিদা খুন্দা লৈতারিবা য়েলহৌ ফুরুপ অমগী খুন্দারোলগা মরী লৈনরিবনি। লাইনিংথৌ কৌব্রুগী খুভম য়ারগা মীরোল মথং-মথং লান্না শেংলবা লাইফমলেন ওইদুনা লৈরিবনি। মদুমক্কনি লাইনিংথৌগী মিংলেন লৌদুনা মহাক্কী মশাইকোন ওইরিবা মফম অসিবু ***কৌব্রু চীং হায়না*** মীংথোল্লম্লিবসিনি। মুৎফদ্রবা পুৱারীগী খোঙ্গুল অদু মুখথৎলগা অদু-অদা হায়রক্লবদি লমদমসিগী পুৱারীদা শিংনবা ওইনা থোক্কনি। ঈংখ্রবা নিংথমথাগী উনলেন নাচুংদবমখৈ ৱাংলবা চীংজাউ অসিদা কাদুনা থৌনিজরগা অপেনবা পোকচরিবা লমদমসিগী মীয়ামনি। চনম হেমচন্দ্রনা ইথোকপা ৱাঙপারেল খুনকুমলোলগী মতুংইন্না কৌব্রুগী মতিক ময়াইবু কৌব্রু অশুপ্পা লাইয়াম খুন্দা অহানবা নোংথৌ মউ লিংনচীং হায়না শৈথারি। লাইনিংথৌগা পানরিবা লাইরেম্মদি খারম চনু শাফবীনি। মপারী ৱাংহুকলেনবু ৱাংব্রেন খানা চাউবা হায়না মিংথোন্দুনা মখা মায়কৈদা খুনকুমহল্লগা মখা মায়কৈ ঙাকহনখি। মপা ইবুংঙোনা ইঙা কুমদম্বদা ইঙেল কুমখাইববু কাউদনা পাউমেনখিবগী মতাংসু য়াওরি। লাইনিং লিচৎকী ওইবা পুৱারীগী হীরমদা চঙশিল্লবসু লাইনিংথৌ কৌব্রুদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী লৈরক্লবা লাইচৎনি হায়বসি ***সাকোক লমলেন*** হায়বা লাইরিক অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মরী লৈনবা মতাং অমা লৌখৎচরি - ***চুক অমগী মতুংদা লাংবা চুক অসি ফাওরক হৌরকলে। চুক অসিদা পাল্লম্বা নিংথৌ ককসুতোলকোনবা কৌবনা লৈমা উরুম খাওচোনবীগী চদানা পানলে চহী থা হোংদরিয়ে। লমচৎ মতৌ হোংদরিয়ে। ফিজেৎতি অপুলনে - নিংনবা লাইদি লাই কৌবরুনে।*** হায়রিবা মতম অসি কোন্নচক্কী নোংদা লাইরেন পাখংবনা কংলৈদা পান্দ্রিঙৈ মমাঙদনি। মসিনা তাকপদি লমদমসিগী লাইনিং লিচৎতা অৱাং মায়কৈ ঙাকপা লাইনিংথৌ কৌব্রুনা মফম কন্দুনা লৈরক্লিবসি ঙসি ঙরাংগী ৱা নত্তে, আ মথায় থায়নদগীনি। খৃষ্ট কুম ১৬৩১ মৈদিংঙু খাগেম্বনা পানবা হাক্তক্তা ইরোই, য়াও, ষণ, কাংঙা, ঙানু, খুনু, য়েন, ওক, হূই অমদি হৈরম লৈরম চাম্মা-চাম্মনা খুজিং ওইদুনা কৌব্রু অমদি অতোপ্পা লাইশিংদা কত্তুনা ঈরাৎ থৌনিবগা লোয়ননা কংলা হোঙবগী থৌরম পাঙথোকখি হায়না ***চৈথারোল কুম্বাব***দা ইরি।

কৌব্রু লাইফমলেনগী ৱারীদি মসিনসু লোইদে। ***তুতেংলোন*** হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীনি, অদুঙৈ থৌদোক অমদগী নোংথৌ সোরারেন্না কংলৈ নিংথৌ তাওথিংমাংগী ময়াম্বুং য়োইমোংবদা মলোম থমখি। মতিক থোকপা লাক্লরগে খন্দুনা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং লেপ্তুনা চুহল্লম্মী। চীং-মান উতোন-ৱাতোন থুমখিদুনা লৈফম লৈত্রবদা মৈদিংঙু মচিন-মনাওনা ঈরোইদুনা ঈশিংনা য়ৌবা ঙমদবা কৌব্রু চীং মায়কৈ তল্লম্মী। লমথুংফম য়ৌরবদা কৌবা অঙাংঙা অমদি ইরোক লেম্বীগা থেংনরম্মী। কৌবা অঙাংঙানা মচিন-মনাওবু মখূৎ পায়দুনা চিংখৎলম্মী। মখোয়না লাকপগী মরম খঙলবদা ষণ, ওক, হূই, য়েন, অঙাংবা লৈ কৎলগা থৌনিজদুনা কৌবা অঙাংঙানা নোং খাকপা চুবদু লেপহনখি। অসিগুম্লবা মতিক ময়াই লৈরবা কৌব্রু চীং অসি প্রোটেক্টেদ এরিয়া লাউথোকপগী খোঙহৌ থেংনখিবনরা ঙসিদি ফীভম য়াম্না হোংলে। মফম অসিদা খুন্দাবা ইপা-ইচা, ইচিন-ইনাও কয়াসু লৈরে। হন্দক মণিপুর এনসিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইন্স এন্দ রিমেন্স এক্ট ১৯৭৬ সেক্সন ৪গী সব সেক্সন (১) গী মখাদা কৌব্রু হিলস রেঞ্জদা লৈরিবা কৌব্রু লাইফমলেনগী হেক্তর অনী রোম অমসুং লাই পুখ্রি লৈরিবা হেক্টর মরিরোম পাক চাউবা মফম অসি প্রোটেক্টেদ এরিয়া ওইননবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌশিল অসিদা খেন্নবা মীৎয়েং থমদনা ঐখোয় পূম্নমক্লা তরাম্না ওকফম থোকই। লাইফমলেন অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি লমদম অসিগী পুৱারীগী লিক্লম কায়হন্দনবা থৌরাংনি। নাকল নামখক্তগী ওইবা মীৎয়েংনি হায়ফম থোক্তে। অমরোমদা ঐখোয় পূম্নমক্কী তাঙলবা লন মাঙখিদনবা হোৎনবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।